# সিটিজনসিপ লোগী মতাংদা প্রোটেষ্টকী মৈশা মায়োক্লরবা বি জে পিনা নুমিৎ ১০নিদা মীয়ামগা উন্নবগী থৌরাং তৌখ্রে




*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* চয়েৎনরবা সিটিজনসিপ লো অদুগী মতাংদা হিংশা ওল্লকখিবা খরা য়াওনা মশীং খঙদ্রবা প্রোটেষ্টকী মৈশা মায়োক্লরবা লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা মৈ কন্নবা খোঙথাং লৌখৎলকখ্রে অমসুং মথঙ নুমিৎ ১০নিদা ইমুং ক্রোর ৩গা উন্ননবগী আউতরিচ অমগী থৌরাং তৌখ্রে।

বি জে পিগী থৌরাং অসিগী মনুংদা রেল্লি চা কয়া অমসুং প্রেস কনফরেন্স ২৫০ হেন্না পাংথোকপা য়ারি। সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট নৎত্রগা সি এ এগী মতাংদা লান্না খন্নরিবশিং অদু শেংদোক্কনি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায়রি।

সিটিজনসিপ লো অসিগী মতাংদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা মীয়ামগী পাক চাওরবা প্রোটেষ্টশিং চথরকখ্রে। উত্তর প্রদেশ খক্তদা ঙরাং ইরাইগী লাইশোন থৌরমশিংগী মতুংদা থোকখিবা হিংশাগী থৌদোকশিংদা মীওই ১৩ শিখ্রে। শগোলশেল নুমিৎতা লক্ষ্নৌদা মীওই ১ অমসুং সম্বলদা ১ শিখিবদু থারগা পুন্না ষ্টেট অসিদা মীওই ১৫ শিখ্রে।

হৌজিক বি জে পিনা ৱাথোক ওইরবা সিটিজনসিপ লো অসিগী মতাংদা মীয়ামদা শেংদোক্লবগী থবক পায়খৎনবা ৱারেপ অসি বি জে পি ৱার্কিং প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা তাংবন লৌদুনা ঙসি দিল্লিদা পাংথোকপা মীফম অমদা লেপ্পখিবনি।

মীফম অদুগী মতুংদা বি জে পিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দর যাদবনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপদা কোংগ্রেস য়াওনা ওপোজিসনগী মীনম্বশিং অদু পার্টিনা মায়োক্লগনি হায়খি।

বাংলাদেসতগী ওৎপীরিবা মাইনোরিটি পূন্নমক্তা সিটিজনসিপ পীনবগী ৱাফম শৌগৎখিবা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহগী অরিবা ভিদিও অমগী মতাংদসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

ঙরাং টেলিভিজনদা ৱা ঙাংখিবা ৱারোল অমদা কোংগ্রেস ইন্টরিম প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীনা মীয়ামগী খোল্লাউ খম থেংনা ঈকাইখুন্নদবা অমসুং তমথিবা নমথবগী পোলিসি চত্থবগীদমক লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিবু মরান শীখি।

লৈবাক মীয়ামদা শেঙদোক্লবগী বি জে পিগী থৌরম অসি সি এ এগী মরমদা সিটিজনশিংবু ময়েক শেংনা ৱাখল তাহন্নবা ওদিও-ভিজুয়েল মেদিয়ম শিজিন্নবগী ৱাফম খন্থনবা সুপ্রিম কোর্টনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা সেন্টরদা খঙহল্লকখিবা ৱাফম অদুগী পরিংদনি।

লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েনশং অসিনা লো অদুগী কনষ্টিট্যুসনেল ভেলিদিটি শীংনরকখিবা পেটিসন ৫৯ তাখি। পাকিস্তান, বাংলাদেস অমসুং পাকিস্তান- মুস্লিমনা মশীং হেন্না লৈবা লৈবাকশিং অসিদা লাইনিংগী মীওৎ- মীনৈগী মরমদগী চেল্লকখি মুস্লিম নৎতবা মাইনোরিটিশিংবু সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অসিনা ইন্দিয়ান সিটিজনসিপ পীগদবনি।

সিটিজনসিপকীদমক লাইনিংবু মরম অমা ওইহনবসি মসিনা অহানবনি। লো অসিনা মাইনোরিটিশিংবু তেংবাংগনি হায়না গভর্ণমেন্টনা হায় অদুবু মসিবু য়ানিংদবশিংনা লো অসিমক মুস্লিমশিংগী মায়োক্তা মীচং-মীখাই নাইবগী লিচৎ চত্থবনি অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী সেক্যুলর প্রিন্সিপলশিং থুগইবনি হায়রি।

# মাইনোরিটিশিংতা নত্তনা লৈবাক্কী য়ুনিটিগী খনবা অতৈ পূন্নমক্লসু সিটিজনসিপ এক্টকী মায়োক্তা লৈ ঃ শরদ পৱার




*মুম্বাই, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* লৈবাকসিগী মফম পূন্নমক্তা শেমদোক্লবা সিটিজনসিপ লো অদুগী মায়োক্তা মীয়ামগী অচৌবা প্রোটেষ্টশিং চথরকপা অসিগী মতাংদা এন সি পি (নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি) চীফ শরদ পৱারনা ঙসি লৈবাক্কী য়ুনিটি অমসুং প্রোগেসকীদমক খল্লিবা অতৈ পূন্নমক্লসু সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকী মায়োক্তা লৈ হায়খ্রে।

সুপ্নগী মাইনোরিটি কম্যুনিটি খক্ততা নত্তনা লৈবাক অসিগী অপূনবা অমসুং চাওখৎপগীদমক খল্লিবা মীওই পূন্নমক্তা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অমসুং নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স (এন আর সি)গী মায়োক্তা লৈ।

অনৌবা সিটিজনসিপ লো অসিনা লৈবাক অসিগী লাইনিংগী অমসুং খুন্নাইগী ওইবা অপুনবা শক্তমদা শোকহনগনি হায়না মশাগী চহী ৭৮ শুরবা লুচিংবা অসিনা ঙসি পাউমীশিংদা হায়খি। পাকিস্তান, বাংলাদেস অমসুং অফগানিষ্টান খক্তদগী লাকখিবা মাইগ্রেন্টশিংগা শেমদোক্লবা লো অসিগী মখাদা সিটিজনসিপ পীগদৌরিবা অমসুং শ্রীলঙ্কা তামিলশিংদদি পীরোইদৌরিবগী মরম করিগীনো হায়নসু মহাক্লা হংখি।

সি এ এ অমসুং এন আর সি হায়রিবশিং অসি লৈবাকসিনা মায়োক্লরিবা শাথিরবা ৱাথোকশিংদগী মীয়ামগী পূক্লিং থৈদোক্লবগী ফৎতবা থৌরাংনি হায়না মহাক্লা ফোঙদোকখি।

শরদ পৱারনা মখা তারদুনা শেমদোক্লবা লো অদু থবক্তা ওন্থোক্তুনা চল্লাইনবগী ষ্টেটশিংগী মতিকচাবা রিছোর্সশিং লৈরব্রা হায়বগী মতাংদসু চিংনবা ফোঙদোকখি।

সি এ এ অসি সেন্ট্রেল এক্ট অমা ওইবা য়াই, অদুবু থবক পাংথোকপদি ষ্টেট এজেন্সিশিংনা তৌগদবনি। মদুগীদমক ষ্টেটশিংগী রিছোর্স অমসুং মেচিনরি লৈরব্রা হায়না হংখি।

এন দি এগী চৎমিন্নরিবা অমনা লৈঙাক পায়রিবা বিহার হায়বা ষ্টেট ৮না লো অদু থবক্তা ওন্থোকউ হায়বদা য়াদ্রি অমসুং মহারাষ্ট্রনসু মসিগা মান্নবা ফিরেপ অমা লৌরক্কনি হায়খি।

হন্দক পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌখিবা অনৌবা সিটিজনসিপ লো অসি মুস্লিমশিংগী মথক্তা মীচং-মীখায় নাইবা মীৎয়েঙ য়েংনবগী মওংদনি অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী সেক্যুলর প্রিন্সিপলশিং থুগাই হায়না ওপোজিসন লুচিংবশিং অমসুং প্রোটেষ্টরশিংনা হায়রি।

মসিগী মথক্তা সি এ এ অমসুং এন আর সি পূন্সিন্নবনা মুস্লিমশিংবু ইন্দিয়াদা আইননা য়াদবা মীওইশিংনি লাওথোক্লকপা য়াবগী অকিবা পোকহল্লি হায়বগী নুংনাংশিংসু লৈরি।

# লোক সভা স্পিকর ওম বিরলানা য়ুম লৈজদবশিংদা ব্লাঙ্কেট য়েন্থোকখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* অৱাং থংবা ইন্দিয়াদা মখা তানা অসুম ঈংশিল্লকপগী ফিভম লৈরকখিবা অসিদা লোক সভা স্পিকর ওম বিরলানা দিল্লিগী ওল ইন্দিয়া ইনষ্টিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এ আই আই এম এস)কী মপান্দা তুম্লিবা ময়ুম লৈজদবা মীওইশিংদা ঙরাং নুমিদাং ব্লাঙ্কেটশিং য়েন্থোকখ্রে।

দিল্লিগী এ আই আই এম এস হোস্পিটাল মপান্দা ঈংলবা নীংথম থাগী অহিংদা ময়ুম লৈজদ্রবশিংনা উপাই লৈতনা অহাংবদা তুমিল্লবা মীওইশিং অদুদা ব্লাঙ্কেটশিং পীখ্রে। পব্লিক কোওপরেসনগা লোয়ননা অসিগুম্বা লৌখৎলিবা থবকশিং অসিনা মীওইশিং অসিগী মায়োক্লরিবা অৱাবশিং কোকহল্লোই অদুবু মখোয়দা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি।



হোৎনরিবা অসিদা শরুক য়ারিবা ওর্গনাইজেসন পূন্নমক্তা থাগৎচরি হায়না মশাগী চহী ৫৭ শুরবা বি জে পি লিদর অদুনা ত্বিট তৌখি।

# ভিম আর্মি চীফসু ফাখ্রে

*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* অনৌবা সিটিজনসিপ লোগী মায়োক্তা ঙরাং ওল দিল্লিদা চত্থিবা প্রোটেষ্টতা হিংশা চত্থনবা মীয়ামদা ইন্সিল্লি হায়বগীদমক ভিম আর্মি চীফ চন্দরসেখর অশাৎসু ঙসি থাংজ নুমিৎতা দিল্লি পুলিসনা ফাখ্রে।

ঙরাংগী হিংশাগী থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা ফাবদা ভিম আর্মি চীফ অসি থারগা হৌজিক পুন্না মীওই ১৬ শুখ্রে। হান্না ফাখিবা প্রোটেষ্টর ১৫ অদু ঙসি থাংজগী নুমিদাংৱাইরমদা টিস হজারি কোর্টতা পুথোকখি। পুলিসনা মখোয়বু নুমিৎ ১৪নি জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থন্নবা কোর্টতা হায়জখি। মীওইশিং অদুগী লেপ্লিবা কাউন্সিলনা বেল পীবা য়াবা মরানশিংদা মখোয় ফাখিবনি হায়দুনা পুলিসনা হায়জরকখিবা অদুগী মায়োক্তা লেপখি। চন্দরসেখর অদাৎতি হৌজিক কোর্টতা পুথোক্ত্রি।

মশাগী চহী ৩১শুরবা ভিম আর্মি চীফ অসিনা ঙরাং অচৌবা প্রোটেষ্ট অমা লুচিংলম্লগা পুলিসনা ফাগদবদগী নাম্থোক্লকখিবনি।

# এল ও সিদা পাক লান্মী ২ হাৎখ্রে

*জম্মু, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী অখনুর অমসুং সুন্দরবানি সেক্টরশিংদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) পরিংদা পাকিস্তাননা সিজ ফয়ার থুগাইরকখিবদা ইন্দিয়ান আর্মিনা চপ চানা লম্মন খুমদুনা খূৎ হনবদা ঙসি থাংজ নুমিৎতা য়ামদ্রবদা পাকিস্তান লান্মী ২ হাৎখ্রে হায়না দিফেন্সকী লিখুলশিংনা হায়খি।


অখনুর সেক্টরগী খৌর অমসুং পলানৱালা এরিয়াশিংদা লৈরিবা ফোরৱার্দ পোষ্টশিংদা নোংঙালমদাইদা পাকিস্তাননি ট্রুপশিংনা কাপশিল্লকপদগী ইন্দিয়ান আর্মিনসু অকনবা মওংদা খূৎ হনখি। ইন্দিয়ান আর্মিনা এল ও সিগী মনাক্তা হকচাং অনী তাদুনা লৈবদু অয়ুক্তা উখি।

দিসেম্বর ২০ অমসুং ২১গী লোন্নবা নুমিদাংদা অখনুর সেক্টরদা পাকিস্তান আর্মিনা সিজ ফয়ার থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদগী ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তান আর্মিশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা নোংমৈ কাপ্পখি হায়না জম্মুদা লৈবা আর্ম পি আর ও লেফটনেন্ট কর্নেল দেবেন্দর আনন্দনা হায়খি।

ঙমখৈগা নক্লবা খূঙ্গং কয়ামরুমদা পাকিস্তাননা কাপশিল্লকপা সেলশিংনা পানখি, অদুবু খুদক্তা অশি-অনাগী পাউ লৈত্রি হায়না পুলিস ওফিসিয়েল অমনা হায়খি।

অন্দরগ্রাউন্দ বঙ্করশিংগী মনুংদা লৈনবা অমসুং অশোক-অপন থিংনবা চেকশিংন থৌরাং লৌখৎনবা মীয়ামদা পাউতাক পীখ্রে হায়না ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

# অশিংবা গভর্ণমেন্টনা সি এ এ হন্দোকখিগনি ঃ রামচন্দ্র গুহা



*বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* শক্লইরবা হিষ্টরিয়ান অমসুং অইবা রামচন্দ্র গুহানা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্টপু 'ইম্মোরেল' অমসুং কনষ্টিট্যুসনগী নুংগী ওইবা ৱাখল্লোনগী মায়োক্তনি হায়না ঙসি ফোঙদোকখ্রে অমসুং অশিংবা অমসুং অচুম্বা গভর্ণমেন্ট অমনা মসি হন্দোকখিগনি হায়খ্রে।

এন আর সি (নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স) খুদক্তা হন্দোকপনা থাজবা অমুক লৈহন্নবা অমসুং লৈবাক্কী অশোকপা ফহন্নবা মথৌ তাবা অহানবা খোঙথাংনি হায়নসু মহাক্লা হায়খি।

অথিংবা হুকুম থুগাইদুনা বেঙ্গলুরুগী টাউন হোল মনাক্তা সিটিজনসিপ (এমেন্দমেন্ট) এক্ট অমসুং এন আর সিগী মায়োক্তা দেমোষ্ট্রেসন চত্থবদা শগোলশেল নুমিৎতা পুলিসনা মহাক য়াওনা মীওই কয়ামরুম ফাখি।

সিটিজনশিংগী দেমোক্রেটিক রাইট ওইরিবা শান্তি ওইনা প্রোটেষ্ট তৌবা ফাওবা পুলিসনা য়াহন্দ্রিবা অসি চপ চানা অনদেমোক্রেটিক ওই হায়না মহাক্লা হায়খি।

# ত্রিপুরাদা মীওই ৩না নুপীমচা অমা গেংরেপ তৌখ্রে, অমা ফারে

*আগরতলা, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* ত্রিপুরাগী সিপাহিজলা দিষ্ট্রিক্টকী সোনামুরা টাউনদা মশাগী চহী ১৫ শুরবী নুপীমচা অমবু ফারগা নুপা ৩না গেংরেপ তৌখ্রে অমসুং মদুগী মতুংদা মখোয়না নুপীমচা অদুবু তমথিবা মওংদা লংথোক্লমখি হায়না ঙসি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

পুলিসকী মতুং ইন্না নুপীমচা অদু ক্লাস ৯গী মহৈরোইনি। মহাক্লা স্কুলদগী ময়ুমদা হল্লকপদা ঙরাং ইরাং নুমিৎতা মীওইশিং অদুনা ফাখিবনি।

মীওই ৩ অদুনা অচিকপা মফম অমদা পুথোক্লগা মহাকপু রেপ তৌখি অমসুং মদুগী মতুংদা ঙরাং নুমিদাং অথেঙবদা সোনামুরা টাউনগী মতাইদা লৈবা থাকুরমুরাদা মোঙফম অমগী মনাক্তা হুন্দোক্লমখি।

থৌদোক অসিদা চেন্নবা মীওই ১ ঙসি ফারে অমসুং অতৈ চেন্নবশিং অদুগী লৈফম হংলি হায়না ওফসিয়েল অমনা হায়খি। মফমদুগী মীওইশিংনা নুপীমচা অদু অরুবা ফিভম অমদা লৈরম্বা থেংনখি অমসুং মহাকপু সোনামুরা দিভিজনেল হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু মহাক আগরতলাগী গোবিন্দা বল্লভ পন্ত মেদিকেল কলেজ এন্দ হোস্পিটালদা রিফর তৌখ্রে।

# অষ্ট্রেলিয়াদা পাক শন্না উমং মৈ চাকপা হেঞ্জিল্লক্তুনা পুন্নমক মাঙ-তাকপগী ফিভম য়ৌগদৌরে

*বারগো, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* অকনবা হিটৱেব অমনা অষ্ট্রেলিয়াদা উমংশিং মৈ চাকপা অমুক্কা হেনগৎহন্দুনা ঙসি থাংজ নুমিৎতা লৈবাকসিগী মফম কয়াদা শন্দোকখ্রে অমসুং লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি সিদনিগী অকোয়বদা লাক্লিনবা ঙম্বগী ৱাংমদা লৈখ্রবা মৈ চাকপশিং অদু হৌজিক পূন্নমক মাঙ-তাকপগী ফিভমদা লৈখ্রে।



লৈবাক অসিগী নোংচুপ লোমদগী য়ৌশিল্লকখিবা হান্নগী রেকোর্দ থুগাইবা য়ৌনা শারবা হিটৱেব অমনা অষ্ট্রেলিয়াগী নোংপোক থংবা টোর্ব্বানদা চৈথেং পীখ্রে। সিদনিদগী কিলোমিটর ১৩০রোম খক্তা লাপ্পদা লৈবা সিটি অসিগী অৱাং, খা অমসুং নোংচুপতা হূগী মৈখুনা কুপখ্রে।

মৈ চাক্লিবা মফম পূন্নমক অদুগা মরী লৈননা হৌজিক ঐখোয়না য়ান্না খুদোঙথিবা ফিভম থোক্লগনি খল্লি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলস প্রেমিয়র গ্লেদিস বেলেজিকলিয়ান না হায়খি।

মসি কেটাষ্ট্রোফিক কন্দিসন অমনি, হায়বদি অতেনবা মতমদা মৈ অমা হেক চাকখৎলকপদা মদু অথুবা মতমদা খুদোঙথিনিংঙাই ওইরক্কনি হায়বনি হায়না মহাক্লা হায়খি।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা ষ্টেট ন্যু সাউঠ ৱেলসকী মফম কয়াগী টেম্পেরেচর সেলসিয়স দিগ্রী ৪৭ য়ৌনা ৱাংলবা য়াই। ৱেষ্ট সিদনিগীসু সেলসিয়স দিগ্রী ৩৭ য়ৌরবা য়াই।

শগোলশেল নুমিৎতা হেক্টর ১৮৫,০০০ মৈ চাকখিবা অদুগী হেক থংননা মাঙজিন থানা লৈরিবা বারগো টাউনদা মীয়াম লৌথোকপগী থবক চত্থরি। মসি কিনিঙাই অমসুং মাঙ-তাক্লিংঙাইগী মশক অমনি। লম্বী পূন্নমক থিংখিবগা লোয়ননা ঐখোয় নাইতোম ওইনা লৈরবনি হায়না খল্লি। ঐখোয়গী নুংশিরবা মীওইশিংনা লাকপা অমসুং ঐখোয়গা উন্নরবা ঙমদ্রে হায়না বারগোদা লৈবা কোরি কারটেস কৌবা মীওই অমনা এ এফ পিদা হায়খি।

নুমিৎ নিনীগী মমাঙদা কারটেসবু মফম অদুদগী থাদোকহন্নবা খঙহনখিবনি অদুবু শগোলশেল নুমিৎকী মৈ চাকপদা মাগী ফেন্সিং অয়াম্বা চাকখিবদগী মরন-মথুম শেন্নবা মখা লৈথহৌখিবনি।

মীওই খুদিংমক্লা তেংবাংনবা খূৎ লাম্থোক্লি অদুবু মখোয়না করিমতা তৌবা ঙমদ্রে হায়খি। সাউথ অষ্ট্রেলিয়া ষ্টেটতা লম হেক্টর ৪০,০০০ হেন্না মৈ চাকখিবদু থেংননবা ফয়ারফাইটর ১৫০০ হেনবনা হোৎনখি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা মৈ চাকপশিংদা মীওই ২ শিখ্রে। ফয়ারফাইটর ময়াম অমসু অশোক - অপন থোকখিবা অমসুং মৈখু হোনজিনখিবগী লায়েঙখি।

য়ামদ্রবদা মীওই ১০ শিখ্রবা অমসুং য়ুম ৮০০ হেন্না মাঙ-তাকখ্রবা থা খরসিদা মৈ চাক্লকখিবশিং অদুনা লৈবাক অসিদা য়ামদ্রবদা লম হেক্টর মিল্লিয়ন ৩ (একর মিল্লিয়ন ৭.৪) মৈনা তুন্না চাকখ্রে।

# জুদিসরিগী মায়োক্তা ফত্তবা কেম্পেন অমা চত্থরক্লি হায়না ফম থাদোক্লগদবা পাকিস্তান চীফ জষ্টিসনা ফোঙদোকখ্রে



*ইস্লামিবাদ, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* পাকিস্তানগী থবক্তগী পোত্থরগদবা চীফ জষ্টিস অসিফ সায়ীদ খোশানা মহাক অমকপা লৈতনা শেংলবা অচুম্বগী ৱাখল অমগা লোয়ননা থবক্তগী পোত্থারগনি হায়না ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে, অদুবু হান্নগী এক্স মিলিটরি রুলর পরভেস মুসারফপু ট্রিজন কেস অমদা শিবগী চৈরাক পীখিবা অদুগী মতুংদা মহাক অমসুং জুদিসিয়ারিগী মথক্তা ফত্তবা কেম্পেন অমা চত্থরক্লি হায়খ্রে।

ঙরাং ইরাইগী অহিং নোংয়াইদা পাকিস্তান চীফ জষ্টিস ওইবগী থবক থাদোক্লগদবা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা জষ্টিস খোশানা হায়খি, ৱায়েল অদুগী মতাংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকপদা জুদিসিয়ারি অমসুং মহাকপু পান্দম থন্নক্লি। মশাগী চহী ৭৬ শুরবা পরভেস মুসারফপু চহী ৬কী লিগেল কেস অমগী মতুংদা হায় ট্রিজনগীদমক কোর্টতা মশা লাক্তনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মেম্বর ৩গী স্পিসিয়েল কোর্ট অমনা শিবগী চৈরাক পীখিবনি।

মহাক্লা ২০০৭দা লৈবাক্কী কনষ্টিট্যুসন চৎনহন্দনা থমখিবগীদমক মহাকপু শিবগী চৈরাক্কী রাই পীখিবনি। স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুনা পাকিস্তানগী শক্তি লৈরবা মিলিটরি অমসুং ইমরান খান গভর্ণমেন্টপু শাওহল্লি।

পাকিস্তান আর্মিগী ৱাঙাংলোই মেজর জেনরেল অসিফ গাফুরনা স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুবু খ্বাইদগী কন্না থিনা চৈখি। কনষ্টিট্যুননা পীবা শক্তিদগী হেন্দোক্লা চত্থরে হায়না মহাক্লা জুদিসিয়ারিবু মরান শীখি।

শগোলশেল নুমিৎতা লো মিনিষ্টর ফারোঘ নাসিমনসু মুসারফপু চৈরাক পীনবা জজমেন্ট অদু ইবা জজ অদু মপুং ফানা ৱাখল খনবা ঙমদবা অমনি অমসুং মরম অদুনা মহাকপু মাগী মথৌ পাংথোকপদগী থিংলগদবনি হায়খি।

য়ুনাইটেদ কিংদমদা মহৈ তম্লকখিবা চীফ জষ্টিস খোশানা হায়খি, জুদিসরি অমসুং ঐ ইসাগী মথক্তা ফৎতবগী ৱাখল্লোন চেনবা কেম্পেন অমা চত্থবা হৌরকখ্রে। মখোয়না শীরিবা মরানশিং অদু য়ুমফম য়াওদবা অমসুং অরানবশিংনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী পৱারশিংগী ঙমখৈশিং অদু খঙই অমসুং মতম পন্নমক্তা অচুম্বা মায় পাক্কনি হায়বসিসু ঐখোয়না খঙই।

হান্নগী মিল্লিটরি দিক্টেটর পরভেস মুসারফতা পীরিবা শিবগী চৈরাক অদুবু গভর্ণমেন্ট অমসুং আর্মিনা হন্দুনা ঙাংববু পাকিস্তান বার কাউন্সিলনা কন্দেম তৌখি। পাকিস্তান বার কাউন্সিলনা শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা থোকপা ষ্টেটমেন্টনা স্পিসিয়েল কোর্টকী ৱায়েল অদুগী মথক্তা গভর্ণমেন্ট অমসুং আর্মিনা তৌরিবা ক্রিটিসিজম অদু কন্দেম তৌখি।

ফেদরেল গভর্ণমেন্ট, মসিগী মিনিষ্টরশিং, লো ওফিসারশিং অমসুং এট্টোর্নি জেনরেলনা চৎলিবা লিচৎ অসিনা লৈঙাক পায়রিবা পার্টি অসি অর্মিনা খিনখিবনি অমসুং মায়োন চুম্বনি হায়বসি চপ চানা তাক্লে হায়না পাকিস্তানগী লিগেল কম্যুনিটিনা লৌই হায়খি।

পাকিস্তানদা হৌজিক ফাওবদা লৈরক্লিবা অসিগী অয়াম্বা শরুক আর্মিনা হকথেংননা নৎত্রগা মরুমদগী লৈবাক অসিবু পাল্লকখি মরম অদুনা হন্দক হান্নগী মিলিটরি চীফ মুসারফতা শিবগী চৈরাক পীরিবা অদু লৈবাকসিগী মিলিটরিগীদমক তুহৎপা ওইনা লৌরম্বা য়াই।

# বোইংগী এষ্ট্রোনোট কেপসুল মায় পাকখিদ্রে




*কেপ কেনেভেরেল, দিসেম্বর ২১(এজেন্সি)ঃ* বোইং কো গী অনৌবা এষ্ট্রোনোট কেপসুল ঙরাং ইরাই নুমিৎতা ইন্টরনেসনেল স্পেস এষ্টসন (আই এস এস)কী ওরবিট অদু য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

মদুনা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসন অদুদা মীওইবা থানবা এরোস্পেস জাইন্ট অদুগী লমজেলদা মী য়াওদবা মরুওইরবা টেষ্ট মিসন অমা খাঙতপতা পল্লনখ্রে।

ফ্লোরিদাদা লৈবা কেপ কেনেভেরেলদগী সি এস টি -১০০ ষ্টারলাইনর এষ্ট্রোনোট কেপসুল অদু মায় পাক্লা থাগৎখি, অদুবু ওটোমেটেদ তাইমরদা অরানবা অমা থোকপদগী স্পেসক্রাফ অদুনা স্পেস ষ্টেসন অদুনা কোয়না চৎলিবা ওরবিট অদু য়ৌবা ঙমহনখিদে।

নেসনেল এরোনোটিক্স এন্দ স্পেস এদমিনিষ্ট্রেসন (নাসা)গী হ্যুমেন স্পেসফ্লাইট কেপাবিলিটিজ অমুক হিংগৎহন্নবা স্পেস এক্সকা লোয়ননা লমজেন তান্নরিবা বোইংগীদমক স্পেস ষ্টেসন অদুদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ অদু শিংথানিঙাই ওইবা টেষ্ট অমা ওইগদবনি। স্পেস এক্সকী ক্রু দ্রেগোন কেপসুলনা মখোয়গী মী য়াওদবা ইন্টরনেসনেল স্পেস ষ্টেসনদা থাবা টেষ্ট ফ্লাইট অদু মার্চ থাদা পাংথোকখ্রে।

মীশি-মীনা থোকপা ক্রাস কয়ামুক্কী মতুংদা বোইংগী ৭৩৭ এম এ এক্স জেট লাইনরদা অথিংবা থমখিবগী মতাংদগী কোর্পোরেট ক্রাইসিস মায়োক্লরিবা বোইংনা হৌজিক কেপসুল অদু হয়েং নোংমাইজিং নমিৎতা ন্যু মেক্সিকোগী হ্বাইট সেন্দসতা লেন্দিং তৌহন্দুনা পৃথিবদা অমুক পুরক্লবগী থৌরাং তৌরি হায়না বোইংগী স্পেস চিফ একজিক্যুটিব জিম চিলটননা হায়খি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-337**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 8 | 9 | 3 | 6 | |
| 8 | | | 3 | 6 | | | | 7 |
| | | 6 | 7 | | | 8 | | 9 |
| 9 | 2 | | | | 7 | 6 | | |
| 3 | 8 | | 6 | | | | 9 | |
| | | 7 | 1 | 9 | | | | 8 |
| 6 | 1 | | | | 8 | | 7 | |
| | 7 | 9 | 2 | | | | | 6 |
| | | 8 | 9 | | | | 5 | |

**সনা-সুদোকু-৩৩৬ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 5 | 4 | 7 | 2 | 8 | 9 | 6 | 1 |
| 8 | 1 | 9 | 6 | 5 | 4 | 3 | 7 | 2 |
| 2 | 7 | 6 | 1 | 3 | 9 | 5 | 4 | 8 |
| 7 | 9 | 2 | 5 | 1 | 3 | 6 | 8 | 4 |
| 4 | 8 | 3 | 2 | 9 | 6 | 1 | 5 | 7 |
| 1 | 6 | 5 | 8 | 4 | 7 | 2 | 9 | 3 |
| 5 | 3 | 8 | 4 | 6 | 1 | 7 | 2 | 9 |
| 9 | 2 | 7 | 3 | 8 | 5 | 4 | 1 | 6 |
| 6 | 4 | 1 | 9 | 7 | 2 | 8 | 3 | 5 |

অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ ঃ



## GAS TODAY

**Bashikhong Indane**
Booking : 09/11/19
Valid : 04/11/19
Stk : 450
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Khurkhul Heikham Indane**
Booking : 15/11/19
Valid : 10/10/19
Stk : 306
Time : 08.00 to 12 noon

**Khongnang Gas, Ningthoukhong**
Booking : 10/10/19
Valid : 05/10/19
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas, Nambol**
Booking : 06/11/19
Sl. No. : 61094 to 61433
Time : 07.00 to 09.00 a.m.

**Maibaia Gas**
Booking : 26/10/19
Sl. No. : 4050
Valid : 24/10/19
Sl. No. : 3151
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m.